HUEIYEN LANPAO

নম্বাশিংগী অখন্নবা ক্লাখল : - নম্বা ফাল

*থবক চিনবা মতমদদি পুন্নমক লায়না পাঙথোকপা ঙম্মী, অদুগা তনবা মতমদদি থবক পুন্নমক য়াম্না লুশিল্লকই। - লাল বহাদুর শাস্ত্রি*

## লাই-ৱাগী চৈশু : অনীশুবা শরুক



থম্মোয়দা ফাজিন্দুনা থম্বা নুংশিববু নুংশিবা কৌনৱ্রা? পীথোকখ্রবা নুংশিববু অমুক হঞ্জিনবদি য়ানৱ্রা? পীথোকখ্রবা নুংশিবনা অকা-অকুম নাইবা পুন্সি খোঙচৎকী নাকেন থাগী মতম য়ৌরকপদা ময়াই চন্নক্লবসু করি করিগুম্বদা নুংশিবা মানা মথি ফোংলকপদা ফোঙদোকফম খঙদবা চৈনা'মদি অদুম্মক ফাওফম থোক্তৱ্রা?

নীঙমদনা শোঞ্জে, মধুসূদন: মতমনা শামহনখ্রবা মতম অমগী থৌদোকশিংবু রাধামানবী নঙগী মীৎলুগী পিরাংনা করিগীনো অমুক হন্না নীংশিংহল্লিবা। হায়নিংবনি ঐদি, কায়নবগী মৈচাকসে ইবানিখক্কী নত্তেনে। থুংনবগী মিনোক্লা লক্কবিরম্লবা কয়া'মসু লৈরিনে। কায়রবা থম্মোয়বু থেমজিন্দুনা পুন্সি পন্থুংবু লাইবক্তা শীন্নথোক্লিবা কয়া'মসু ৱাত্তবনি। অদুবু রাধামানবী নঙগী পিরাংলক্তুদা য়াতোন লংবী নঙনা ঐবু উরগা নোংমা শিথ-শিথ চরি তৎখৈ নোকখিবদো চহী কয়াগী মতুং নুমীৎনা চীংদোল পল্লা কানসিদা অমুক হন্না মিৎমাংসিদা উহল্লিবসিবু ঐবু করি হায়খোগে।

মধুসুদননা পাখং মচা ওইরিঙৈ, থিঙাও-লৈঙাও অউ-অউবা পংপামদা পাম্বা, পংনুংদা নুংশিবা মতমনি মতমদু: ময়াম্নদি মঙা খোঙফম ফৎতে হায়নৈ অদুবু খৎতোক-খৎচিন য়াদবনা মখোয় মঙা দিমাপুর চৎপা ট্রক গাড়ী অমদা ইম্ফালদগী কৌব্রু লৈখা ফাওবা তোংদুনা কৌব্রু চীং কাদুনা লাই খুরুম্বা চৎলি। মখোয় লাই থাজবদি অমত্তা নত্তে, চুম্নগী ঈরাংদা চীং কারুসি হায়দুনা লাকপনি। চহীদুগী অহানবা কৌব্রু কাবা নুমীৎ ওইবনা লম্বীদুসু ফজনা লৈতে, উরি-ৱারি ঙাক্তা। উজাও য়াল্লগা ইরোইনা চিংথরকপগী উরমদা কাখৎলুবদগী লম্বী ওন্নদুনা অমুক হন্দোক্লকপসু কোঙ্গাইনি। কোনবা থুংদবা ঈশং কারবা অচৌ অচৌবা উশিংদা, উশাশিংদা নপ-নপতুনা লৈশক খঙবা, খঙদবা উরৈ ময়াম্মা য়ান্থ-য়ান্থদুনা শাৎলি। য়ুমপোৎ তানবা হৈবা বিনোদনা য়ুমদা থানবনি ফক্কে তৌবদা ময়াম্না কুমথরকপদা ওইনা ফকশি হায়বদগী তোক্লে। চীংয়াই য়ৌরকপদা শ্বর চনীং-চমাং শম্নদবা হৌরে। ঈংসু য়াম্না ঈংলে, লৈচিল মফোলশিংনা উরক ফাওর-ফাওরদুনা পাইশিল্লক্লগা মায়দা, হকচাংদা য়ৈবদা চিক-চিক লাউই, মনাকাসি য়াওদ্রবোই নীংই, পোথাখিসি হায়দুনা উখা অমদা ঙাইহাক্তং ফম্বদা উথক্তগী উ তীনফা ময়াম অমা প্রোপ প্রোপ মখোয়গী মথক্তা তাশিল্লকইপোৎনি।

উচিন নাচিননা কৌব্রুগী পুখ্রি, ইকোম হায়নসু খঙনবা চীংদোলগী থেলদু য়ৌরে, নুমীৎসু ফনা য়াম্না লৈথরে, লাই খুরুম্বা লাকপা ময়ামশিংসু পুখ্রি ময়াসিদা ইকোয় কোয়না মানা মানা নুংঙাইগদবা মফম য়েংদুনা লেকফম চাফম শেম্নে। হেন্না চাউবা পুখ্রিনি, খোংনাং পাম্বী অমসু পুখ্রিরোমদা পৈথরপ তৌনা হৌই, পুখ্রিগী ঈশিংদুনা থকপগী, থোং-থাকপগী, ঈরু-মায়থজবগী পুন্নমক শীজিন্নে। মখোয় মঙাগীসু খেউ উজাও অমগী মখাদা অহিংদুমগী লেকফম চাফম শেম্লে। অমনা উ অকংবা থিরগা পুশিল্লকই। অমনা মৈ থাগৎলকই। অমনা চাক থোংগৎলি। মখোয় মশেল হায়নৈ। চীংদোলসিদি প্রেসর হন্থরবনিনা চাকতু কুইনা শৌহল্লু নৎত্রবদি চেঙ চঙগনি হায়না হায়না চাকতু চেঙ অদুম চঙখি। অয়ুক ঙন্তা হৌগৎলগা পুখ্রিদুদা ঈরুজ-মায়থজরগা চেঙ-থোইদিং লৈ কৎতুনা খুরুম্নে। বর নীনৈ, অদুদগী থেলসিদগী খজিক্তং লৈখৎগা লৈবা শুরুংদুদা পৈশা ১০ চৎপী অমমম লংশিন্দুনা কৎলগা খুরুম্মী। বিনোদতি জিরো তাবা কৎপা ফত্তে হায়দুনা পৈশা মঙা চৎপী অমা কৎলি। ইহান হানবা ওইনা লৈতেম মান্নবা থেল মথক্তুদা নাপীনা তাশিন-তাশিন দুনা মোরা মান্না হৌবা ময়ামদু উবদা ঙকখি। নান্দুনা য়েংখি। ফম্বদি তৌহৈদে হায়দুনা ফমখিদে। নুঙজাও খরা মথং মথং থেংনরবা মতুংদা মণিপুরগী চীংশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ৱাংবা কৌব্রুগী লাইফল্লেনদু য়ৌরে। ইপা ইবুংঙো লাইনিংথৌ কৌব্রু, ইমা ইবেম্মা কৌনু খুরুমজরে। চীংদোলসিদগী লৈ লৈদুনা ইমা লৈবাক মৈত্রবাকপু ইমিৎ পেন্না য়েংজবদা চীংশাং কারকপগী চোকথবা, নহা ওইবগী তয়াং তশোয়বা ৱাখল পুম্বা মাঙখি, পুময়াং য়াংখি। অনৌবা পুন্সি খোঙচৎ অমা হৌবগুম তৌখি।

মী ফনা য়াম্মী, ১০০গী মথক্তদি ওইগনি। নুমীৎ নীনিগী চীং লৈবাক্কী খোঙচৎসিদা খোঙবুরোয় ওইমিন্নরবনিনা কৌনদবা য়াওরবসু শক্তি অয়াম্বা খঙনরে। রাধামানবী, মচে রোমোলা, মদোমচা, মখুরা মখোয় মরিসু লাই খুরুম্বা লোইরগা মীয়াম মরক্তুদা খোঙবু শেম্না শেম্না কুমথরকই। নুমীৎতু নোংসু চিফেৎ চিফেৎ তাবনা অঙম্বা লম্বীসি য়াম্নসু নাল্লি, মী খরা শিৎথদুনা তুশিনবা, নাম্থুবসু য়াওনৈ। অঙাংশিং, অহলশিং, নহাশিংনা শমদুনা কুমথমিন্নৈ। মধুসূদনখোয়গী খোঙবুদুদি পাখং মচা ঙাক্তনিনা জর জর কুমথরকপদা রাধামানবীখোয়গী খোঙবুগা থেংনরে। নাম্থুবদগী থুন, ওইগী ফৈবোম, মখোঙ লোয়নমক চীং লৈবাক তৈরবা রাধামানবী লৈখোম তৈরবা মখুৎতুনা অমুক মমায়দা তারিবা মশমদু শেমজিনবদা ব্রমিজ নুপীনা মমায়দা চন্দন তৈবদৌনা অঙাঙবা মমায়দা চীং লৈবাক তৈবদু মতা অমা ওইনা ফজে। মধুসূদননা লক্লরদুনা সোমগী সিষ্টরসিদি ব্রমিজ নিংঙোলবু মাল্লিনে, করি লৈকায়দগীনিনোনে?

মথং-মথং ...

*আর কে নরেন্দ্র*

## মপুগী থৌজালদগী লমদমসিগী অচৌবা থৌদাং লৌবগী তাঞ্জা ফংলবদি চান-থক্লবা পোৎলমশিংদা মীপান তাংদনবা হোৎনগনি



নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা

*মারিয়া পাঙবম, লমদমসিগী ফাওগৎলক্লিবী মোদেল*



তশেংনা হায়রবদা ইরমদম মণিপুর অসিগী হৌগৎলক্লিবা নুপীমচা অমদি নুপামচাশিং লোয়ননা নহা ওইরিবা অয়াম্বনা টেলেন্ট লৈবা ঙাক্তনি। মখোয়না মাগী-মাগী থম্মোয়গী অনীংবা-অপাম্বগী মতুংইন্না পাম্না চৎলিবা লম্বী অদুদা মায়পাক্লবা হোৎনবদা তুম্বা চাবা খঙদনা হোৎনরি। অদুগা লাইবক থীবদি লমদম অসিগী নহা খরদি তাংলবা মীওই মপোক্কী পুন্সিবু করিসু থৌৱা শাদনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী ইরোনুংদা তাউদুনা লৈখিবদগী ঙসিদি লমদম অসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া লেপ্পা লৈতনা অদুমক থোক্লি। মতমগী মতুংইন্না লমদমসিদা অফবা অওনবা অমা লাক্লে হায়বা য়াই। থবক তৌবদা অচৌ-মচা খায়দনা ইকায়বা লৈনদনা মাগী-মাগী ঙমজবা থবকশিং মপুঙ ফানা পাঙথোক্লরে। তশেংনমক মসি লমদম অসিগী ওইনা য়াম্না অফবা খুদম অমনি। মশা-মশাগী পাম্না চৎলিবা লম্বীশিং অদুদা মায়পাক্লা চৎননবা হোৎনরিবা নহাশিং অদুগী মরক্তা লমদম অসিগী ফাওগৎলক্লিবা মোদেল মারিয়া পাঙবমসু অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মোদেল মারিয়া পাঙবম কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবা পাঙবম নাউবা অমদি পাঙবম ওংবি তোন্দোনগী মচানুপী অহলনি। মণিপুর কোলেজদা মহাক বি এ সী বাইওকেমিষ্ট্রিদা লোইশিনখি। কুমহৈ দোট কোমদা এঙ্কর ওইনা-ওইনা মোদেলিংগী লমদসু থবক তৌদুনা লৈবাক মীয়াম্না শকখঙনরিবা মোদেল অমা ওইনা হৌরকখি। অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা নুপামচা অমগী মতৌগুম য়াম্না চম্না ইঙাও ঙাওনা হৌরকখি, মঙোন্দা অকি-অখঙ লৈরকখিদে। মহাক্লা ক্লাস ১২ কারকপদগী অহল-লমননা নুপী অমা ওইবগী লিরি-খোইরিবা লৈতে হায়না কয়ারক হন্না ঙংবী-চৈবিখি। অদুবু মতমগী মতুংইন্না মঙোন্দা নুপী অমা ওইবগী কেবা-নৌবা য়াওবা হৌরকখি। মারিয়া পাঙম্বমগী পুন্সিদা অহানবা ওইনা কুমজা ২০১৮গী মৈতৈ চনুগী সেকেন্দ রনর্স অপকী টাইটল লৌখি। মৈতৈ চনুগী সেকেন্দ রনর্স অপকী টাইটল লৌরবা মতুং লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা পাঙথোকপা ফেসন শো অমদি ব্যুটি পিজনশিংদা শরুক য়ারকখি। মহাক উখ্রুলদা পাঙথোকখিবা মিস প্রিন্দাগী টাইটলসু লৌখি। ষ্টেট লেবেলগী থাক্তা পাঙথোকখিবা কন্টেষ্ট কয়াদসু শরুক য়াদুনা তোঙান-তোঙানবা টাইটলশিংসু লৌখ্রে। চহী খরগী মমাংদা গুৱাহাটিদা পাঙথোকখিবা গ্রোটু মিস ইন্দিয়াগী কেম্পস পিন্সেসতা টোপ ৮ শুবা ফাওবগী মনুংদা য়াওবা ঙম্লকখি। লোয়ন-লোয়ননা ফেমিনা মিস ইন্দিয়াদা নত্তনা তোঙান-তোঙানবা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল ব্যুটি পিজনশিংদা শরুক য়াদুনা মণিপুর ইমা লৈবাক্কী মীংচৎ পুরকপা হায়বসি মহাক্কী অমত্তা ঙায়রবা পান্দমনি হায়নসু মহাক্লা পাউচে অসিদা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

মারিয়া পাঙম্বমনা থৱায়-হকচাং য়াওনা পাম্না চৎলিবা লম্বী অসিদা অমুক্তা হেন্না মাংথানা চঙশিন্দুনা মণিপুরগী ফেসন ইন্দষ্ট্রি চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবগা লোয়ননা য়ু এনগী থাক্তা পাঙথোকপা কনফরেন্সশিংদসু শরুক য়াবা হায়বসি মহাক্কী অনিংবা-অপাম্বনি। মহাক্লা মৈতৈ চনু অমা ওইনা লমদমসিগী পুক্লিং হুনা ফজরবা ঐখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা লোক্তাক পাৎ, শিরোই লিলি, পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লিবা য়াম্না মরুওইখ্রবা ৱিমেন ইম্পাৱরমেন্টগসু য়াম্না মরী লৈনরিবা খ্বাইরম্বন্দ ঈমা কৈথেল অমদি লমদম অসিগী ফজরবা চৎন-কাংলোনশিং কয়া লৈবনা মহাকসু চাওথোকচবা ফাওই। অমরোমদা ইরমদম মণিপুর অসি হৌরকপদগী হৌনা মখোংদগী শোয়খ্রবা লমদম অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই অদুবু হৌজিকসু শেমদোকহৌবগী মতম লৈরি। লোয়ননা চাওনা অহোংবা কয়া অমসু লাক্লে। তোঙান-তোঙানবা প্রোফেসনশিংদা থবক তৌরিবা লমদম অসিগী মীওইশিংনা ওজা অমনা ওজা অমগী, পোলিটিসিয়ন অমনা পোলিটিসিয়ান অমগী, দোক্টর অমনা দোক্টর অমগী, ইঞ্জিনিয়র অমনা ইঞ্জিনিয়র অমগী, উকিল অমনা উকিল অমগী, পুলিস অমনা পুলিস অমগী তৌফম থোকপা থবকশিং পুকচেল শেংনা থবক তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। পুকচেল শেংনা করিগুম্বা মীপুম খুদিংনা থবক তৌনরক্লবদি ঈমা লৈবাক মণিপুর অসি চাউখৎপদা কনানসু থীংবা ঙম্লোই। লোয়ননা হৌজিক্কী মতমদা মমা-মপা ওইবশিংনা মচা-মশুশিংবু য়াম্না কুপ্না শেন্নবিবগী তঙাইফদবা লৈ হায়বসি মহাক্কী ফজরবা ৱাখল্লোল অমনি।

ফাওগৎলক্লিবা লমদম অসিগী মমিং লৈরবা মারিয়া পাঙম্বম মোদেল অমা ওইনা মহাক্লা খ্বাইদগী পামজবা মীশক্তি শক্লাইরবী বোলিৱুদকী এক্ট্রেস সুস্মিতা সেননা ওইরি। সুস্মিতা সেনগী ফজরবা ৱাখল্লোল অদুনা মহাকপু মোদেলগী লমদা পুক্লিং চিংশিল্লকপগী অচৌবা মরম অমসু ওইখি। হৌজিক লমদম অসিগী ওইনা য়েংলুবদা চহী খরগী মমাংদা লৈরম্বা মোদেলিংগী ফীভমগা হৌজিক ওইরক্লিবা মণিপুরগী মোদেলিংগী ফীভমদা চাওনা অহোংবা লাক্তুনা চাউখৎলকপগী মমি ময়েক শেংনা উবা ঙম্লে। মালেমগী থাক্তা লমদম অসিগী মোদেলশিংবু পুখৎপা ঙম্নবা হোৎনবদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরকপগী তঙাইফদবসু লৈরি। মরম অদুনা মণিপুরদা লৈরিবা মোদেলগী লম্দা থবক তৌরিবা মীপুম খুদিংমক্লা হৌজিকমক্কী ওইনা অৱা-অনা থীদনা হোৎনবা চঙই। মসিগী মথক্তা ঐখোয়গী ষ্টেট গভর্ণমেন্টসু হীরম অসিগী মতাংদা চাওনা মতেং পাংবিফম থোকই।

মোদেলিং হায়বসি ব্যুটি ৱিদ ব্রেন লৈবা চঙই। মরম অদুনা হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা লম্ অসিদা তশেংনা চঙবা পাম্লগদি শকওং-শাদা ফজবা খক নত্তনা প্রজেন্স ওফ মাইন্দ লৈবগা লোয়ননা আই ক্যু ৱাংবগীসু মথৌ তাই। এদ্যুকেসনসু মতিক চানা লৈহৌনবা হোৎনদুনা অফবা চিঞ্জাক চাবা, ৱার্ক আওট চাং নাইনা তৌগদবনি। জিম চৎনবা হোৎনবদা ফরক তাবা খুদোংচাদবা মতম য়াওরগসু য়ূমদা অদুমক য়ূমগী লৈরিবা থবকশিং তৌদুনা ফিগর তান্নবা অমদি হকচাং নুংঙাইনা লৈনবা হোৎনবসু য়াই। ঙসি মোদেলগী লম্দা খজিক মীয়াম্না শক খঙবা হৌরক্তুনা টাইটল খরা লৌবা ঙম্লক্লিবা অসি মহাক্কী অপোকপা, অপোকপী অমদি কোনিকা খুরাইজমনা হোৎনবিবদগী ঙম্লকখিবনি। মোদেলিংগী লম্বীদা খোঙদারিবা মীওইশিংবু লান্না উবিবগী মীৎয়েং অমা লৈরম্মী অদুবু ঙসিদি অহোংবা কয়া অমা লাক্লিবা অসি উবদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্লা মোদেলগী অশেংবা ৱাহন্থোক খঙবিরকপা অসি উবদা হরাউবা নুংঙাইবা অপেনবা অমদি ফাওই। করিগুম্বা লান্না উবা য়াওবিবা মীওই লৈরবসু লান্না উবিগনু। মোদেলিংগী আইদিওলোজি খঙবিয়ু হায়নসু মীয়াম্না মহাক্লা আপিল তৌরকখি।

মারিয়া পাঙম্ববগী ওইনা খ্বাইদগী পামজবা এঞ্জাংদি ইরোনবা, কাংশোয় অমদি কাংহৌনি, পামজবা শৈশকপা অমদি শৈশকপীনা লমদম অসিগী শক্লাইরবা শৈশকপা অরবিন অমদি পুস্পরানিনি। লোয়ননা পামজবা এক্টর অমদি এক্ট্রেসনা ওলেন অমদি হীজম বালানি। করিগুম্বা লমদম অসিগী অচৌবা থৌদাং অমা লৌবা ঙম্বগী তাঞ্জা ফংলবদি অহানবা ওইনা চান-থক্লবা পোৎলমশিংদা মীপান তাংদনবা হোৎনগনি হায়বসি মহাক্কী অনিংবা-অপাম্বা অমদি মঙজবা মঙলান অমনি।

**ডা. খাইদেম অথৌবা**

## লিটরেরি ক্যুইজ-৫৮গী ৱিন্নর অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুমনা ওইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ (ঐচ এন এস):

পাউচে অসিনা লেপ্তুনা চথরক্লিবা হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৮শুবা তাঙ্কক্কী ৱিন্নর লমশাং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা তাওথোং অয়ুংবা ময়াই লৈকায়দা লৈবা অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুমনা ওইখ্রে।



পাউচে অসিগী লিটরেরি ক্যুইজ-৫৮শুবা তাঙ্কক্কী ৱিন্নর ওইখ্রবা অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুমনা ফোঙদোরকখিবদা, সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি, মণিপুরনা মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগী চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি ফনা কুইরক্লে। ঐখোয় মৈতৈ য়েলহৌমীশিংনা ফুরুপকী শক্তম, থাক, লমখৈ অসিনচিংবা কয়াসি কঞ্জনবা খোঙজং কয়া লেপ্তুনা মথং-মথং চঙশিল্লক্লি। মীয়াম অমসুং তোঙান তোঙানবা লূপ কয়ানসু লেপ্তুনা শৌগৎনরক্লি। ঐখোয় খূদিংমক্লসু শৌগৎফম থোকপনি। অদুবু অরোমদা মরুওইবা থৌদাং লৌগদৌরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি খোঙজং অসিবু লুম্না লৌদবগুম তৌই অমদি মথৌ তাবা খোঙথাং অমত্তা পায়খৎপা উদ্রি। লৈঙাক্লা মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট খঙনা অকনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা থিন্থবা তৌদনা মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিদা থাফম থোকপা রেকমেন্দেসনশিং থাবীনবা আপীল তৌজরি।

লাইবক থীবা অমনা মৈতৈশিংনা এস টিগী ষ্টেটস তানবদা মায়কৈ খরদগী য়ানিংদবগী খোল্লাও কয়া থোরক্লিবা অসিনি। মৈতৈ ফুরুপকী মনুংদসু মীওই খুজোক খরনা য়ানিংদবা উৎতুনা খুরৌ থাংনবা হোৎনরি। মখোয় খরনা লাইরিক হৈরবনি, হৈ-শিংলবনি, চাউখৎলবনি খঞ্জদুনা মশানা মশাবু এস টিনি হায়নিংদে। এস টি হায়রগা হন্থবা, অনেম্বা থাক্তা কুমথবনি হায়না খল্লি। য়াম্না নোকনিংবা ৱানি। পুন্নমক অসি এস টি দি সী এমনা অমুক্তং অমগা অমগা ফম্মিন্নদুনা ৱাখল তানবা শীঞ্জহন্নিংই।

মৈতৈ ফুরুপ অসি হৌজিক করম্বা থাক্তা হায়বদি ঐখোয়গী সোসিও-ইকনমিক এন্দ পোলিটিকেল ষ্টেটস অসি করম্বা ফীভমদা লৈরি। মণিপুরনা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লোন্দা য়াওরুরবা মতুংসিদা মৈতৈ ঐখায়গী ফুরুপকী শক্তম অসি লৈঙাক্লোনগী থাক্তা অহোংবা কয়াম লাকখ্রবগে, লৈঙাক্লোনগী ঙাক্লৌ করি করি ফংদুনা লমদমসিগী মৈতৈ ওইনা কয়াম কুইনা হিংবা ঙমখিগদগে হায়বগী ৱাহং কয়া থোরক্লি। ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী পুন্সি মহিং, হিংবগী থাক, শেন্মীৎলোনগী অশেংবা থাক অদু খঙই হায়রবদি লমদমসিগী শেঞ্জাও পায়বা, অঙম-অথৌ, লুচিংবা খরগী পুন্সি মহিং য়েংলগা য়ারোই। মৈতৈনা এস টি লিষ্টতা চনবা য়ানি-য়ারোই, মৈতৈবু ত্রাইব ওইরি-ওইদ্রি হায়বসি ঐখোয়না হেক্তা লেপ্পসু য়ারোই। এস টিগী মিনিষ্ট্রিনা পীরিবা ক্রাইটরিয়াশিং অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অদুম লেপচগদবনি।

খা-নোংপোক এসিয়াদা খুন দারিবা অরিবা ত্রাইবেল ফুরুপশিংগী মরক্তা মণিপুরদা লৈরিবা মৈতৈ য়েলহৌমীশিংসু ত্রাইবকী থাক্তা ঙসি ফাওবা অদুমক লৈরি। খুন্নুং লীচৎ-শাজৎ, লাইথৌ-তিন্থৌ, লাইশোন-তীনশোন, য়েক-সলাই, নাৎ-চৎনবী থাজনবী অসিনচিংবা কয়া ঙাক্তুনা মৈতৈ অসি ঙসি ঙসিসু ত্রাইব ওইনা হিংলি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## থা 4 চুপ্পা চথরকখিবা ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ (ঐচ এন এস):

আর্ট অমসুং কলচর, নাৎ, চৎনবী, থকশি-খাশি, থৌগল্লোন, ঠিএটর ফিল্মস, সাহিত্য য়াওনা গুরু মুতুম মোধু আর্ট এন্দ কলচর একাদেমী কৈশাম্পাৎ ইম্ফালনা শীন্দুনা চথরকখিবা থা ৪গী ওইবা তোঙান তোঙানবা তাকপী-তম্বীবগী ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে হায়না গুরু মুতুম মোধু আর্ট এন্দ কলচর একাদেমীগী জেনরেল সেক্রেটরি নেলসন মুতুমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, শক্লাইরবা দিরেক্টর মুতুম উপেন্দ্রোগী লমজিং মখাদা থা মরিগী ওইবা তোঙান তোঙানবা লমদম অসিগী মমিং লৈরবা ওজা-গুরুশিংনা তাকপী তম্বীদুনা পাঙথোরকখিবা ৱার্কশোপকী থৌরম অদুদা লমদম অসিগী নহা ওইরিবা নুপা অমসুং নুপী ৬০ রোম্না শরুক য়াখি।

গুরু মুতুম আর্ট এন্দ কলচর একাদেমীগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা জগোয়-ঈশৈ অমসুং শৈরেং শৈদিন্নবনচিংবনা থৌরমশিং পাঙথোকখিবগা লোয়ননা সোর্ট প্লে হিংবগী মমিগী অইবী সনসম নিংঙোল মুতুম ওংবী অশা, দিরেক্টর মুতুম উপেন্দ্রোনা ৱার্কশোপ অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংদা সর্টিফিকেট অমদি লেংয়ান ফীনচিংবা খুদোল তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা থৌরম অদুগী মনুং চন্না মমিং লৈরবা শক্লাইরবা ওজা-গুরুশিং, রাইটর অমদি দিরেক্টরদা সর্টিফিকেট, মমেমেন্টো অমসুং সোল অমমম খুদোল তমখি। থৌরম অদুদা ডা. এন শরতচন্দ্র, কে শরতনা মথংশিংনা থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৪। ০২। ২০২৩ ইং, থাংজ,
ফাইরেলগী ১৪ নি পানবা।

মেষ: অরিবা থবক পাঙগনি, শেল-থুমসু ফংবা য়াবা লৈ, য়েৎনরম্বা ফরনি, নচা ননাইগী লমদা নীংবা থুংগনি। অঙম্বনা চানবীবা ৱাৎপদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- হামু হামুনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

বৃষ: মীচঙ ৱাৎতবা, ওইজবা থিবদা কান্নবা, ৱাখল নুংঙাইনা থৌপাঙবা নুমিৎনি। তীন্নবনা নথক থোংবদা লান্না তমশিনগনি, হুদৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিথুন: য়েক্লবনা পাঙ্গল্লি। নোল্লুক্লা চৎলবা, ফিংদ্রবা, মরম খঙদনা হোয়া ফদ্রবা মাঙবা য়াবদৈ লায়না ঙাকথোকপা ঙমগনি। অরুবা থবক পাঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- কায়নদনবা ঈংথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

কর্কট: লাইবক ফবা, ৱাখল থোকপা, মীংচৎ অফবা ফংবা অমদি ঙাংবা-শকপা হৈবা নুমিৎনি। থিবা কন্দ্রদি অফা-অপুন্নবা, লন মাঙবসু পীরি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: ফগদ্রা খল্লগা ফত্তবা ওইনা য়াবা লৈ-অখঙ অহৈ তান্নহৌ। হন্থবা লোয়নরদি হেন্না ফত্তবা থবক তৌনিংগনি। নীংবদুমক পাঙগে খনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা কায়গনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: মীকোক থোংবা ৱাগনি-অনম তানগনু। য়েক্লবনা নরল মৎপীখিগনি, অফবা থবক পাঙবা ৱাগনি। শেল থুমগী লমদদি মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা খিত্তংদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

তুলা: পাংঙমদবা থবক পাঙগনি, ৱাখল থোক্কনি, ৱানোম থৌনোম কান্নগনি, চাদিং হন্থগনি। খৎন-চৈনবা য়াবদি লৈ-অশাওবা লৈরসু ফাথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা থুংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃশ্চিক: লান্দবনা মায় পাক্কনি, লেঙদবা লন চাওখৎনবা হোৎনবা হান্নগুম চাওনা মায় পাক্কনি। পাউ নুংঙাইবা তাগনি। য়েৎনবদি মায়থিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

ধনু: অনম তানবা অমদি শকখঙদবা লোয়নবদি মাঙবতা নংগনি। অদুবু য়েক্লবদি ঙমজদুনা, শেল থুমগী লমদা মায় পাকচদুনা নুংঙাইবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: নখা থাবগা মুক্লবা, নাপলনা কোক শাবা লৈরসু নীংবদি খরদি থুংগনি। শেল-থুমগী লমদা কান্নগনি, অনৌবা মরুপ্তগী কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

কুম্ভ: খুরৌ থাংবা, শেল চৎফম অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা লৈগনি। নীংবদি থুংগনি, মীনা ঈকায় খুম্নবীগনি, নচাক নরল চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন: তপথৌ তহা তহাগনু-মতম মাঙবনা হেনগনি। লৌশিং ফুদোকপা ৱারিবা অমদি নরল ময়েং তাবা লৈতনবা অরিবা থবক্তমক পাঙউ।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/থোইদিং হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ (ঐচ এন এস):

লমদম অসিগী চাউখৎ থৌরাং অমদি অচৌবা ইস্যু কয়াদা লৈবাক্কীদমক কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌবীরম্বা কমরেদ এ লালা (৭৩)না হৌখিবা জন্যুৱারী ৩১দা লৈখিদবদা হৈরোক লোকেল কাউন্সীল সী পি আইনা কমরেদ এম শ্যামকিশোরগী য়ুমদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না সী পি আই হৈরোক লোকেল কাউন্সীলগী সেক্রেটরি টি ঐচ মুহোননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা কমরেদ এ লালানা হিংলিঙৈ মতমদা সী পি আই হৈরোক লোকেল কাউন্সীলদা কয়ারক হন্না লাকপীদুনা শোখরবা লমদম অসিগী লৌমী-শিন্মীশিংগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরমখিবা মীশক অমনি। মহাক্লা প্রধান অমসুং প্রমুখ ওইরিঙৈদা খুঙ্গংশিংগী ফীভম ফগৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনবীরমখি। মদিদা নত্তনা পঞ্চায়টকী ফীভমসু ফগৎনবা হোৎনবদা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিনখি। মহাক্কুম্বা তাঙলবা মীওই অসিনা লৈখিদবা অসি ঐখোয়গী মাঙজবা অমনি হায়রি।

## অমুকোগী ৩০শুবা ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা তোঙান-তোঙানবা ওল্ড এজ হোম অমদি ওর্ফাম হোমশিংদা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং তেংবাঙ হৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী ৩০শুবা ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা ওল্ড এজ হোমশিং অমদি ওর্ফাম হোমশিংদা অমুকোনা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং মতেং পাংবা হৌখ্রে।



অমুকোগী ফাউন্দেসন দে অসি চৎলিবা থা অসিগী ফেব্রুৱারী ১২দা মহৌশাগুম কলচরেল প্রোগ্রাম কয়াগা লোয়ননা পাঙথোক্লগনি। ঙসি অহানবা ওইনা লূপ অসিগী ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা লাঙ্গোল নিংথৌ লৈকায়দা লৈবা লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমদা অমুকোনা চেঙ বেগ ২, তিলহৌ বেগ ১, আলু বেগ ১ অমদি বিস্কুইট বোক্স অমা তেংবাঙখ্রে। ঙসি অমুকোনা লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমদা চানবগী চীঞ্জাক তেংবাঙ পীবগী খোঙচৎ অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাং অমদি ভাইস প্রসিদেন্ট এম এম থম্বৌনা লুচিংখি।

তেংবাঙ পীবগী থৌরম অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা ফোঙদোকখিবদা, লূপ অসিনা মতম পুম্বদা খুদোংচাদ্রবা অহলশিং অমদি ওর্ফান ওইরবা অঙাংশিংবু ঙাক্লৌ পীবগী ৱাখল্লোন অমদি অখন্নবা ফিরেপ লৈজে। মরম অদুনা অমুকোগী ৩০শুবা ফাউন্দেসন দে অসিগা মরী লৈননা ওল্ড এজ হোম অমদি ওর্ফান হোম খরদা ঙমজবা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং অসি মতেং পাংজবনি। ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী চহী কয়া অৱাবা তারবা অমদি কনা লৈজদ্রবা মীওইশিংদা মতেং পাংদুনা লাকখিবনি। মদুগী লীক্লম অদু ঙসিগী মীরোলদা হিংলিবা ঐখোয়না কায়দনা অদুম্মক চৎপা মথৌ তাই।

অৱাবদা মতেং পাংবা হায়বসি মীওইবা অমা ওইনা ঐখোয় পুন্নমক্লা তৌফম থোকপা থবক্লি। খুন্নাই অমা চাউখৎপা হায়বসিদা মী অমখক নৎত্রগা কাঙলুপ খরখক নুংঙাইরগা চাউখৎপা হায়বদু ওইরোই। চাউখৎপা অমদি নুংঙাইবা হায়বসি মান্নবা খুন্নাই অমা ওইরবা মতমদা পুরকপা ঙমগনি। ঙসি-ঙসিমক লমদম অসিদা অৱা-অনা তারবা মীওই কয়া লৈরি। মখোয়বু ঐখোয় পুন্নমক্লা মাগী মাগী ঙমজবা থাক্তা অঙম্বা মতেং পাংবগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। মরম অদুনা লমদম অসিগী পুকচেল চাউরবা মীওইশিংনসু অৱা-অনা তারবা মীওইশিংদা অমদি অহল ওইরবা মীওইশিংনা লৈরিবা ওল্ড এজ হোম অমসুং কনা লৈজদ্রবা অঙাংশিংনা লৈরিবা ওর্ফান হোমশিংদা মতম পুন্নমক্তা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু মহাক্লা তেংবাঙ পীবগী খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা আপীল তৌখি।

পুন্না হিংমিন্নবা, পুন্না চাউখৎমিন্নবা অমদি পুন্না থেংনমিন্নবা হায়বা অসি অমুকোগী পান্দম ওইবনা অততাই ওইনা য়েংশিনবীনবা কনা লৈজদবদগী হৌজিক হৌজিক ওল্ড এজ হোমশিংদা লৈরিবা অহলশিং অমদি কনা লৈজদ্রবা ওর্ফান হোমশিংদা লৈরিবা অঙাংশিংদা মতম-মতমগী ওইনা ঙাক্লৌ পীনবা হোৎনজবনি। মসিদা লৈবাক মীয়াম্নসু অঙম-অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ফেব্রুৱারী ১২দা পাঙথোক্কদৌরিবা অমুকোগী ৩০শুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরমগা মরী লৈননা রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) অমদি জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)তা ব্লদ দোনেসনগী থৌরম অমসু নুমীৎ খরনিগী ওইনা পাঙথোক্কনি। হায়রিবা নুমীৎ খরনিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ব্লদ দোনেসনগী কেম্প অসিদা মীয়াম্না লাক্তুনা লমদম অসিগী হৌজিক হৌজিক ঈ ৱাৎপগী থেংনরিবা অৱাবা অসিদা অঙম-অঙম্বা ওইনা ঈ কৎপীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।